## পেট্রোল নুমিৎ ৭ নি খক্কি শিজিন্নবা লৈরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ৩০ঃ ওটোনোমস দিস্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি) শিংগী মখাদা লৈরম্বা প্রাইমরি ওজাশিংবু থবক্তগী লৌথোকখিবগী মায়োক্তা মতম কক্তনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌশিল্লকপদগী থাউ লৌবা অমসুং চিংলকপা লেপখিবদগী হৌজিক ষ্টেটসিগী ওইনা শিজিন্নবা পোট্রোল নুমিৎ ৭ নি খক্কিদা ঙাইশিল্লক্লে হায়রি।

পাউ –চেসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা লাকপা য়াদবদগী ঙসি ফাউবদা থাও থন্না য়াওরবা টেঙ্কর ১৬৫ রোম মপান্দা পন্দুনা লৈরে হায়রি। পন্দুনা লৈরক্লিবা ওইল টেঙ্করশিং অসিদা দিজল টেঙ্কর ৭৪, পেট্রোল ৪৪, এভিয়েসন টবাইন ফুয়েল (এ টি এফ) ১ অমসুং কেরেশিন টেঙ্কর ২৬ য়াওরি।

গাডীশিং অসি ইন্দিয়ন ওইল কোপোরেসন লিমিটেদ (আইওসিএল)গী ঙাক্তনি হায়রি। অদুগা বিপিসিএল অমসুং এনআরএল কম্পেনিশিংগীনা পুন্না থাও হাল্লবা ট্রক ৪৪ রোমসু পল্লি। টেঙ্করশিং অসি হৌজিক আসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা থাসিগী তাং ২৬ অমসুং ২৭ কি লোন্নবা অহিংদগী চখরকখিবা ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাউবদা ওইল টেঙ্করশিং লাক্ত্রে। অদুবু ঙসিদি শুপ্নতগী অহাঙবা টেঙ্কর ২২ থাও লৌরননবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা হৌজিক চীংমৈরোংদা লৈবা পেট্রোলগী ষ্টোক অসি শুপ্নতগী নুমিৎ তরেৎনি খক শিজিন্নবগীদা ঙাইশিল্লক্লে। দিজলনা নুমিৎ ১৬ নিগী লৈরি। অদুবু এভিয়েসন টবাইন ফুয়েল (এ টি এফ)তি সুপ্নতগী নোংমা খক্কিদা ঙাইরে হায়রি ।

## এম আর পার্সনেল অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ৩০ঃ ঙরাং নুমিদাং পূং ৬ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক পুলিস স্তেসনগী মনুংচনবা বিষ্ণুনহাদা লৈবা ৫ শুবা এম আরগী পার্সনেল অমা মশাগী ময়ুমদা থৌরি য়াল্লগা শিদুনা লৈরম্লে। লৈখিদ্রবা পার্সনেল অদুগী মমিং ওইনাম শ্যামকিশোর কৌই। মহাক তমেংলোংদা লৈবা ৫ শুবা এম আরগী পোস্ততগী ছুতি থোরক্লগা ময়ুমদা লৈবনি। মহাক মতৌ করম্না থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লিবনো হায়বা খঙদ্রি।

## স্পোত পেন্তিং কম্পিতিসন য়ৈথোকলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ৩০ঃ ওল মণিপুর স্তুদেন্তস গার্জিয়ান এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২ দা সোসিএল সার্বিস হায়বা থিমদা কেতেগোরি অহুম থোক্তুনা স্পোত পেন্তি কম্পিতিসন অমা পাঙতোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্লগনি। মফম অমসুং মতমদি অহোংবা লৈরোই হায়রি।

## অসামদা হৌজিক ফাওবদা টেরোরিষ্ট ৪২ ফারেঃ দিজিপি

নিউ ডীল্লি, সেপ্টেম্বর, ৩০ঃ অসাম পুলিসকী ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস মুকেশনা হায়খ্রে, অসাম সরকারনা পুলিস পার্সোনেল লিশিং ৩ রিক্রুইট তৌরে ।মসি রাজ্য অদুদা পুলিসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা টেরোষ্টিশিং থেংননবগীদমক রিক্রুইট তৌবনি। মহাক্না মখা তারদুনা হৌজিক ফাওবদা অসামদা টেরোরিষ্ট ৪২ ফারে। হান্দক্তা টেরোরিষ্ট অমা ফাখিবা অদুগা মরী লৈননা অসামগী মফম পূন্নমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা হায় এলর্টি থমখ্রে হায়নসু দিজিপিনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসামগী মফম পুন্নমক্তা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনখ্রে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকপদা অসামদা টেরোরিষ্টশিং চঙজফম লৌদুনা লৈ হয়বগী পাউ ফংবদা অসাম পুলিসনা খুদক্তা মদুগী এক্সন চখদুনা টেরোরিষ্টশিং ফাগৎপগী থবক চখরি হান্দক্তা নালবারিদগী টেরোরিষ্ট অনী ফাখি।

## এম্বুসতা ৩১ শুবা এ আর গী মেজর অমা শোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর, ৩০ঃ মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ত (এম এন পি এফ) কী কাদরশিং ওইগনি হায়না চীংনবা খূৎলায় পায়বশিংনা আসাম রাইফলসকী মথক্তা এম্বুস তৌবদা আসাম রাইফলইকী মেজর অমা শোক্লে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা খূৎলায় পায়বশিং অদুনা আসাম রাসফেলসকী মথক্তা চথখিবা এম্বুস অদু ঙসি অয়ুক পূং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা উখুল ডিস্ট্রিক্তকী কামজোংদা থোকখিবনি।

কামজোংদা লৈবা ৩১ শুবা আসাম রাইফলসকী সি কম্পনিগী কাঙবুনা মহৌশাগুম আর ও পি চৎনবা থোক্লকপদা মাংজৌননা লূমদুনা লৈরম্বা খূৎলায় পায়বশিং অদুনা অতৎ অখম লৈতনা মায়কৈ অনীদগী নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দারকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মেজর অদুগী মমিং সন্দিপ সিংহ কৌই। মহাক্কী মশাদা নোংমৈ মরু অনী পাল্লি।

আসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীসু শকখঙদবশিং অদুগী মায়কৈ তন্না হন্দুনা নোংমৈ কাপখি হায়রি। খুদক্তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোসকী হেলিকোপ্তর মফম অদুদা পায়শিল্লত্তুনা শোক্লবা মেজর অন্দিপ মফম অদুদগী লৌখৎলবা মতুং লৈমখোংদা লৈবা মিলিতরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুং অহেনবা ফোর্সশিং চঙশিন্দুনা থিহুম্বগী থবক চখরি হায়রি।

## গভর্ণমেন্টকী অনৌবা বীলদা জনুৱারী ২১, ১৯৭২ ফাওবদা লৈবা মী মখৈ য়েলহৌমী ওইদৌরি

ঙরাঙগী মখা...

**3.** (1) At the commencement of this Act, every Non-Local People entering the State shall register himself with the registration authority designated under sub-section (3) of this section.

**Registration of Non-Local People and establishment of registration centres and Issue of Pass**

(2) For the purpose of sub-section (1), the State Government shall establish registration centres at such places as may be notified in the Official Gazette by the State Government from time to time.

(3) The State Government shall designate as many officers of the State Government as the registration authority at every registration centre.

(4) The registration authority shall, if he is satisfied that the Non-Local People is a bona fide citizen of India and is visiting the State, issue a Pass to the Non-Local People which shall be in his possession at all times, in such form and in such manner as may be prescribed, specifying his place of origin and the period of stay which shall not be more than six months from the date of issue:

Provided that the period of stay may be extended from time to time by the Deputy Commissioner of the concerned district:

Provided further that when a Non-Local People is denied a pass by the registration authority, he may make an application to the Deputy Commissioner concerned for redressal of his grievances and to enable such person to approach the Deputy Commissioner concerned for the purpose, a temporary pass may be issued.

*Explanation.— For the purposes of this section, a Non-Local People shall be deemed to be a citizen of India on production of his voter's identity card issued by the Election Commission of India or a ration card issued by a competent authority or such other documents as may be prescribed.*

(5) The registration authority shall maintain a register containing the passes issued to the Non-Local People, and shall submit monthly report of such registration to the Deputy Commissioner concerned.

(6) A Non-Local People who is staying in the State before the commencement of this Act shall immediately register himself with the nearest registration authority.

**Compulsory registration of Non-Local People and report of Non-Local People without pass staying in the State.**

**4.** (1) Every owner shall before he lets or leases out any property to a Non-Local People satisfy himself that the Non-Local People is in possession of a pass issued under sub-section (4) of section 3 of this Act.

(2) Every owner shall maintain a register in such form as may be prescribed to record the particulars of every Non-Local People to whom he lets or leases out such property, and particulars of such entries shall be submitted by the owner to the Deputy Commissioner concerned for every fortnight.

Provided that where the period of lease is more than six months, the particular of the Non-Local People who leases the property shall be furnished to the Deputy Commissioner concerned within a period of fifteen days of the execution of the lease and any extension, thereafter, if any.

(3) A person who has knowledge of a Non-Local People staying in the State without a pass issued under this Act shall provide such information to the Deputy Commissioner concerned. No person shall incur any liability, criminal or civil, for giving such information in good faith.

Provided that if any person is aggrieved by any act done under this Act, he may make a representation of his grievance to the Secretary of the Department of Home of the State Government for redressal.

**Issue of receipt to the owner**

**5.** The Deputy Commissioner concerned shall enter the particulars of the Non-Local People furnished under sub-section (2) of section 4 by the owner in a register to be maintained in such form and in such manner as may be prescribed, and shall issue a receipt thereof to the owner, in such form and in such manner as may be prescribed, to the effect that the Non-Local People has been registered by the owner of the premises.

*-to be continued...*

## DOCUMENTS LOST

I have lost my following Original documents t.e -
(I) Original MarkSheet of HSLC bearung Roll no . 44848 of 1997 Examination issued by Board of Secondary Education Manipur.
(ii) Origiinal Marksheet of XII (HSE) bearing Roll No. 24818 of 2000 Examination issued by Counsil of Higher Secandary Education Manipur.
(iii) Original Marksheet of Graduation bearing Roll No. 221860 of 2004 Examination issued by Manipur University.

The said do cumants were lost on the way in between Keishampat and Lamphel Employment Exchange office on 7/9/2016.

Finders ari requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Morangthem Premananda Singh
Keishamthong Hodam Leirak,
Imphal West, Manipur - 795001
C/No. 9863182997.

SL/1352/1 Oct.

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

### RITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager posts

RITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager postsRITES recruitment 2016-17 notification 01 General Manager posts :- RITES limited invites application for the position of General Manager vacancies on contractual basis. Applicants may apply online before 6th October 2016.
Name of post:- General Manager
Eligibility:- Degree in engineering
Job Location:- All India
Pay Scale:- Rs.51300 – 73000/- Per Month
Last Date:- 6th October 2016
Total No. of Posts:-01 Posts

Age Limit:- The age of the candidate is 55 years. The age of the applicant should be as on 1st September 2016.
Qualification:- Candidates should have first class degree in civil engineering.
Selection Procedure:- The selection of the candidates will be on the basis of written examination and personal interview depending on the number of applications received.
How to apply:- Candidates may apply online through official website of RITES limited http://rites.com from 15th September 2016 to 6th October 2016 and hard copy of online application along with self – attested photocopies of relevant documents / experience certificate and two recent passport photocopies send to the Assistant manager (P). Rectt, RIRES limited, RITES Bhawan,, plot no 1, sector-29, Gurgaon:- 122001 on or before 17th October 2016.
Important Dates:-
Starting date for the submission of online application is 15th September 2016
Last date for the submission of online application is 6th October 2016.
Last date for the hard copy of online application is 17th October 2016.
General Instruction:-
The name of the company is RITES limited.
The name of the position is General Manager.
The posting of the applicant will be at All India.
Eligible applicants applying for the position of General Manager should have first class degree in civil engineering.
Only Indian national are eligible for this position.
The age of the eligible applicant applying for the position of General Manager is 55 years. The age of the applicant should be as on 1st September 2016.

### CWC recruitment 2016-17 notification 111 Work Assistant posts

CWC recruitment 2016-17 notification 111 Work Assistant postsCWC recruitment 2016-17 notification 111 Work Assistant posts :- Central Water commission (CWC) invites application for the position of 111 skilled work assistant (SWA). Apply before 30 days from the date of publication of the advertisement.
Name of post:- skilled work assistant
Eligibility:- Matriculation, ITI
Job Location:- All India
Pay Scale:- Rs.5200 – 20200/- Per Month
Last Date:- 30 days from the date of publication of the advertisement.
Total No. of Posts:- 111 Posts
Age Limit:- The age of the candidate should not be less than 18 years and should not more than 30 years.
Qualification:- Candidates should have passed matriculation class standard examination board / 10th class standard examination board / ITI or equivalent from a recognized board university / institution.
Selection Procedure:- The selection of the candidates will be on the basis of written examination and personal interview depending on the number of applications received.
How to apply:- Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents send by post only to the executive engineer, upper Yamuna division, Central water commission, B-S, Kalindi Bhawan, Tara Crescent road, Qutub institutional area, New Delhi, Pin:- 110016 on or before 30 days from the date of application.
Important Dates:-
Last date for the submission of application is 30 days from the date of publication.
General Instruction:-
Eligible applicants applying for the position of skilled work assistant (SWA) should have passed matriculation class standard examination board / 10th class standard examination board / ITI or equivalent from a recognized board university / institution.
The age of the eligible applicant applying for the position of skilled work assistant (SWA) should not be less than 18 years and should not more than 30 years.

## মাধবী

*ডাক্তর কমল সিংহ*

### নুঙ অনীগী মরক্তা হা

হে ইকায়থীবী! মীনা য়ান্না চিল্লবা মফমদা, ইকায়খুন্নবা মীশিংগা লৈমিন্নরিঙৈদা ইকায়বা নঙগী লাংনা মী অদুগী মমায়দা কৃপশিল্লি, অচীকপা লমদমদদি ইকায়বা নঙনা চঙবা ঙমদে

ঙাইহাক ৱাম্বরুরগা লৌশিং তারক্লদুনা উরীরৈনা অমুক হন্না বীরেনবু য়েংলকপদি উবা ফংখিদ্রে, লোইবী চীং অমনা নুংশি হৈত্রবা হিংচাবী মতৌগুন্না নুংশিগী মীৎয়েং অদু থদত্তুনা বীরেনবু খঞ্জিনখ্রে।

অশাইমখৈ বীরেনসু থিন্দোরপা মরুপ– মপাংগা লোয়ননা চৎমিন্নরম্মী। হৌজিক্তি মখোয় ময়ামসু লৈহৌরগে হায়দুনা বিদায় লৌনরক্লে বীরেন্দ্রসিংহগা ধীরেন্দ্রসিংহগা মখোয় অনীতা মঙায়হৌরে।

মথংশীৎনা চৎশিল্লত্তুনা ছাত্র অনীসিনা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা অৱাংবা চীংগী চীংদোন্দা কাখত্তুনা পোক্লফম মরৈপাকপু অমুক্তং য়েংথরকই। অৱাংবদগী থাপ্না য়েংথরকপগী নুংশিবা দৃশ্যনে, মহৌশা মরৈবাক্তগী মপাল থোক্তবগী মরৈবাকপু নুংশিবনে, চীংথক অদুগী মহৌশাগী নুংশিবা দৃশ্যনে, পূন্নমক অসিগী মথক্তা মাগী মাগী থম্মোয়বু মরৈবাক্তা হুন্দোক্লম্বা অসিনা ছাত্র অনী অসিগী পূক্নিংদা ঙমখৈ লৈতনা অৱাবা পোকখি। “ অসিনা কৈথেন্নি” “অসিনা তুরেন্নি” “অসিনা ঐগী লৈফন্নি” হায়দুনা মহৈ মহৈ খূদোনবী থিন্দুনা য়েংনরক্লে। অহানবদা বীরেন্না নোংমাইজিং উরুবদা উরীরৈগী মরমদা মহাক্না ৱাখিবা পূন্নমক নীংশিংদুনা লমদম তান্না লৈহৌরবী উরীরৈগীদমক মীত্তগী পি শিন্থখি। অদুদগী হৈবোকচীং উরকপা, পোক্লফম কাঞ্চিপুর উরকপা অসিদা উরীরৈগী ৱাবগা লোয়না – লোয়ননা মওল মওল খল্লুবদা মীত্তগী শিন্থরকপা পিনা পূমচোৎ চোৎখ্রে। ধীরেন্না হংলকই – ‘ইতাও ইবুংঙো, করম্বা অৱা–নুংশি য়াওদুনা নঙনা কপ্লিবগে”? বীরেন্না খুন্লকই, – “য়ুমগী অহল –লমন অমদি সনাওশিং – পিশক পিশক হুন্দোক্লম্বা খল্লুবদা নুংশিদুনা কপ্লিবনি!” থাঙ্গৈশেংবমক্তি উরীরৈগীদমক বীরেনগী পি তাখিবনি। ধীরেনগী পূক্নিংদসু ইকায়বা খরদং পোকখি।

অসুম তৌনা মথংশিৎনা চৎখিদুনা ছাত্র অসি কলিকতা য়ৌখ্রে। মথৌ শূদ্রবা মীগী পুন্সি হায়বা অসি থোইদোক্লা অৱাবগী মশক্নি। থৱায় য়াওনা মাগী মথৌ শূদুনা পোত্থাবা লৈতবনা মী অদুগী পূক্নিংদা অৱাবা ৱাখন্না ইরায় – লায়না চঙলকপা ঙমদে। বীরেন অসি মমান্নবা ছাত্র অতৈদগী হেন্দুনা, মমিং চৎপা অফবা ছাত্র অমা ওইগে হায়না নীংবা মরমদগী মথৌদা ওনশিন্দুনা উরীরৈগী ৱা খরা কাউরক্লে। চৎলমদাইগী মতমদা উরীরৈগী ইকায়থীবনা অমদি বীরেন্না মাগী পূক্নিং খঙদবনা খরদং শাউখিবা অদুনা উরীরৈবু খরদং কাউবা ঙমখি। মরম অসিনা উরীরৈবু পুমকাউ কাউবা ঙমদ্রবসু নুংশি – মৈচাক অদু হান্নগুন্না কনখিদ্রে, মরুপ অনী অসি কলেজগী অরোইবা পরীক্ষা থাদ্রিমখৈ মরৈবাক্তা থোক্লনুসি লেপ্নখে। মথং মথং ...

## চিঞ্জাক

*তেলেম যোগেন্দ্রজিৎ*

### চীঞ্জাক্কী মথেল

চাক, তল, পাল, মঙ্গ্রা, আলু, হা নচিংবা কার্বহাসড্রেটনা নম্বা চীঞ্জাকশিং অসিগী মরমদা চেকশিনগদবা মরম অমনা মখোয় মশেল অসি মথেল অমদা পুন্না চামীন্নরগা তুম্বা ঙমদ্রবদি – “ষ্টার্চ পোইজনিং” কৌবা হূ মকা অমা কাহল্লি। হূ অসিনা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাক তুম্বদা য়ান্না অকায়বা ওইহল্লি। চাক্না নন্না চারীবা অয়াম্বা মীদি ফিরাক, চাকখাও, ঈশিংমরীনচিংবা মফমদা শোক্তুনা লেংবা থিনবা, নুংশিৎনচিংবা লায়নানা নাগল্লি।

মথক্তা হয়খ্রিবা দোষশিং অসি কোকহনগে হায়রবদি – চোইদবা চেঙগী চাক নৎত্রগা আতাগী তলগা মনা মশীংগী এনশাংগা তংখাই তংখাই চাগদবনি।

অহুমশুবা চ্যেশীগদবা মরম অমনা অশীনবা হৈশিংগা চনাংগা খক তিন্নরোইদবনি। মরমদি অশীনবা হৈদা চনাংবু তুমগদৌরিবা আলকেলিগা য়েক্লবা এসিড য়ান্না য়াওরি। তুমখ্রবগী তুংদা হৈদা য়াওবা এসিডপু আলকেলিদি ওল্লি হায়ববু য়াদগী থোরকপা তিল অদুদি আলকেলিগী শরূক্নিনা অনী অসি হান্নলা তিন্নরবদি – আলকেলিগী শরূক অদুগী ময়াই অদু চমখিদুনা চনাশিংগী শরূক অদু নীংথিনা তুক্ষনবা ঙম্লোই। মরম অসিদগী হৈগা চাক, তলনচিংবা কার্বহাসড্রেটনা নম্না য়াওবা চীঞ্জাক্কা তিন্ননা চামিন্নবদা তুল্লত্ত্রবদি মদুদগী পুমথরকপা অচাপোৎশিং অদুগী মনিল অদুনা ফত্তবা অনাবগী নুংশিৎ ওল্লত্তুনা তমথিরবা লায়না পোক্লকপা য়াই। ঈশিং চিফেৎ চৎনীংবা, চনীং শাগৎপা, শিংলি শোকপা, তুম্বা য়াদবা, নুংশিৎ কাবানচিংবা লায়নাশিংনি। মসিগী মথক্তা হৈগা হৈগা পংতিন তিন্নরগা চামিন্নবা অসিসু ফত্তে।

ঘী, থাও, মাখননচিংবা মরেক মহাওনা নম্বা অচাপোত্তি থীবোং মরীন্দা ফিরাক্তগী থোরকপা পিওগা পেনক্রিয়াটিক জুইসগা অনিনা তুক্ষনবনি। চনাংগা মহাওগা তুমফম তিন্নব মরমনা মহাওগা তিন্ননা চামিন্নবা শোক্তে। তৌইগুম্বসুং মহৌশানা ফিরাক ফত্তবা মীদি মথক্তা হায়খ্রিবা তুম্নবা রসশিং অসি নীংথিনা থোরক্লাইদবা মরম্না চামিন্নবা ফত্তে।

মথং মথং ..